# মুম্বাই সিটি এফ সীনা এস সী ইষ্ট বেঙ্গলবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীদুনা লীগকী মকোক্তা লৈখ্রে

2 December, Wednesday
Hyderabad FC
vs
Jamshedpur FC
Time : 7:30 PM


মুম্বাই সিটি এফ সীগী শান্নরোয়না এস সী ইষ্ট বেঙ্গলগী গোলদা হেদ তৌশিনবা

বাম্বোলিম, দিসেম্বর ০১(এজেন্সী): গোৱানা যূম্বু ওইরগা ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা মুম্বাই সিটি এফ সীনা নৌনা লীগ অসিদা শরুকয়ারকখিবা এস সী ইষ্ট বেঙ্গলবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মকোক থোংবা ঙমখ্রে।

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ মনুংদা ভাবোক য়াওদনা গোৱাগী ষ্টেদিয়ম অহুমদা মমাং থাগী ২০দগী চথবা হৌরকখিবা ইন্দিয়ন সুপর লীগ অসিগী ১৩শুবা মেটচতা মুম্বাই সিটি এফ সী অমসুং এস সী ইষ্ট বেঙ্গল লম্বা তৌনখি। মেটচকী ২০শুবা মিনটতা বোল হেন্না পায়বা ঙমখিবা মুম্বাই সিটি এফ সীগী মায়কৈদগী হুগো বোমোসনা পীরকপা বোল অমদা টিমমেট অদাম লী ফোন্দ্রেনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোল টিমগী মমাংদা মরুওইবা শান্নরোয় অমা ওইরম্লবা মতুং এসিস্টেন্ট কোচ ওইনা থৌ পুরিবা পোৎশংবম রেনেদিগী টিম এস সী ইষ্ট বেঙ্গলগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমা শোথখিবা অদু হন্দোক্লবা অহানবা হাফকী পুংখায় ফাদ্রবা মতম অদুদা ফনা কন্না হোৎনরবসু কান্নবা ফংখিদে।

মেটচকী অনীশুবা হাফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ মুম্বাই সিটি এফ সীগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা অদাম লী ফোন্দ্রেনা টিম অদুগী এটেক অমদা ফংখিবা পেনাল্টিগী খূদোংচাবা অদু ৪৮শুবা মিনটতা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা এস সী ইষ্ট বেঙ্গলবু ২-০দা মাংজিল থারগা লৈখি। এস সী ইষ্ট বেঙ্গলগী মায়কৈদগী অহানবা হাফতা পাঞ্জল অমা শোথখিবা অদুগী মতুংদা অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপদা পাঞ্জল অমগা চনশিল্লকখিবা অদুনা মরম ওইরগা টিম অদুগী শান্নরোয়শিংগী মায়কৈদা থৌনা হন্থখিবগুম তৌখি। মদুগী খূদোংচাবা লৌরদুনা মুম্বাই সিটি এফ সীগী মায়কৈদগী শান্নবগী ৫৮শুবা মিনটতা টিম অদুগী হুগো বোমোসনা অহানবা পাঞ্জল চনবদা পাস তৌখিবা বোল অদুগুম্না অমুক্কা খূদোংচাবা অমা ফংবদগী পীখিবা বোলদা হর্নান সান্তানানা টিম অদুগী ৩শুবা পাঞ্জল চল্লগা পোইন্ট ৬ ফংদুনা মাংজিল থারি।

| Pos | Team Name | P | W | D | L | F | A | GD | PTS |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Mumbai City FC | 3 | 2 | 0 | 1 | 4 | 1 | 3 | 6 |
| 2 | ATK Mohun Bagan FC | 2 | 2 | 0 | 0 | 3 | 0 | 3 | 6 |
| 3 | Northeast United FC | 3 | 1 | 2 | 0 | 4 | 3 | 1 | 5 |
| 4 | Chennaiyin FC | 2 | 1 | 1 | 0 | 2 | 1 | 1 | 4 |
| 5 | Hyderabad FC | 2 | 1 | 1 | 0 | 1 | 0 | 1 | 4 |
| 6 | Bengaluru FC | 2 | 0 | 2 | 0 | 2 | 2 | 0 | 2 |
| 7 | FC Goa | 3 | 0 | 2 | 1 | 3 | 4 | -1 | 2 |
| 8 | Kerala Blasters FC | 3 | 0 | 2 | 1 | 2 | 3 | -1 | 2 |
| 9 | Jamshedpur | 2 | 0 | 1 | 1 | 3 | 4 | -1 | 1 |
| 10 | Odisha FC | 2 | 0 | 1 | 1 | 2 | 3 | -1 | 1 |
| 11 | East Bengal Club | 2 | 0 | 0 | 2 | 0 | 5 | -5 | 0 |

# ইন্দিয়াগী চহী ১৭ মখাগী নুপীগী ফুটবোল টিমগা স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুগা ৱারী শানখ্রে




ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ০১(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা লৈবাক অসিগী নুপীগী চহী ১৭ মখাগী ফুটবোল শান্নরোয়শিংগা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খূত্থাংদা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট প্রফুল পটেল য়াওনা ৱারী শানখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, ইন্দিয়ানা মায় পাক্লা কুমজা ২০১৭তা নুপাগী চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট যূম্বু ওইখ্রবা মতুং মালেমগী ফুটবোলগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লূপ অসিনা ইন্দিয়াদা থাজবা লৈরকপদগী চহী খূদিংগী নবেম্বর থাদা নুপীগী চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱর্ল্ড কপ যূম্বু ওইবগী খূদোংচাবা পীখ্রবসু কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা কুমজা ২০২১গী ফেব্রুৱারী থাদা য়ৈথোকখ্রবা মতুংদা মখা তানা টুর্নামেন্ট অসি ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা য়ারোইদবগী ফীভম লাকপদগী কেন্সেল তৌখি।

ইন্দিয়ানা যূম্বু ওইরমগদবা চহী ১৭ মখাগী নুপীগী ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদু কেন্সেল তৌখ্রবা মতুং ফিফানা কুমজা ২০২২দা চহী ২০ মখাগী নুপীগী ফিফা ৱর্ল্ড কপ যূম্বু ওইননবা খূদোংচাবা অমা পীরকখি। হৌজিক-হৌজিক চহী ১৭ মখাগী নুপীগী ফুটবোল শান্নরোয়শিং অসিনা কুমজা ২০২২দা ইন্দিয়ানা যূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড কপ অদুদা যূম্বু ওইবগী খূদোংচাবা ফংদুনা শান্নবা ফংলবসু অতোপ্পা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংগী টিমগা লম্বা তৌনবদা অহেনবা পাঙ্গল পুথোক্তুনা মায় পাক্লনবা হোৎনবগী থৌশিল ময়াম অমা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা শেমগৎলিবা অদুগা মরী লৈননা স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা শান্নরোয়শিং অদুগী পুক্নিং থৌগৎপা ওইনা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খূত্থাংদা ৱারী শানখি।

স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী লমজিং মখাদা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া অমদি ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা লৌখৎলিবা খোঙথাংশিং অদুদা নুপীগী ফুটবোল শান্নরোয়শিং অদুনা মাংজৌননা চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱর্ল্ড কপ শান্নগনি হায়না শেম শারুবা অদু কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিনা অপনবা পীরকখ্রবা মতুং কুমজা ২০২২দা ইন্দিয়ানা অমুক হন্না ফিফাগী নুপীগী ৱর্ল্ড কপ যূম্বু ওইগদৌরিবা অসিদা শেম শাদুনা লৈহন্নবগী পাঙ্গল অমদি থৌনা অদু ভিদিও কনফরেন্সিংগী খূত্থাং অদুদা পীখিবনি।

ভিদিও কনফরেন্সিং অদুদা শরুক য়াখিবী ইন্দিয়াগী চহী ১৭ মখাগী নুপীগী ফুটবোল টিমগী কেপ্টেন ওইরিবী সিলকিনা ফোংদোকখিবদা, শান্নরোয়শিংগী মরক্তা হৌজিক লৈরিবা থৌনা অদুনা মরম ওইরগা চহী ২০ মখাগী ফিফা ৱর্ল্ড কপ কোক্টা রিকানা যূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা অদুদা ক্বালিফাই ওইননবা কন্না হোৎনরি হায়খি।

চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱর্ল্ড কপ য়ৈথোকখিবা মরম্না হৌজিক-হৌজিক লৈরিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং অসিনা মখা তানা কোক্টা রিকাগী চহী ২০ মখাগী ৱর্ল্ড কপ অদুদা ক্বালিফাই ওইননবা য়াম্না কন্না হোৎনরি।

ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা ঙসি পাঙথোকখিবা ভিদিও কনফরেন্সিং অদুদা শান্নরোয়শিং অদুবু থৌনা পীখি। লোয়ননা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট প্রফুল পটেলনসু শান্নরোয়শিং অদুগী হৌজিক লৈরিবা থৌনা অদু মাঙহন্দনবা মখা তাবা ট্রেনিং অমদি এক্সপোজর মেটচশিংসু শান্নহনগনি হায়না ফোংদোকখি।

# ইংলেন্দগী ন্যু কাষ্টল ফুটবোল টিম আইসোলেসনদা লৈখ্রে

লন্দন, দিসেম্বর ০১(এজেন্সী): ইংলেন্দগী মকোক থোংবা লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী মরুওইবা টিম অমা ওইরিবা ন্যু কাষ্টল য়ুনাইটেদ ফুটবোল টিম কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা সেল্ফ আইসোলেসনদা লৈহনখ্রে।

ন্যু কাষ্টল য়ুনাইটেদ ফুটবোল ক্লবকী ষ্টাফ অমা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী ক্লব অদুগী শান্নরোয় পূম্নমক অমদি অতোপ্পা সপোর্ট ষ্টাফশিংসু ঙরাংদগী সেল্ফ আইসোলেসনদা লৈননবা খঙহনখ্রে হায়না লন্দনদা ফোঙবা মরুওইবা পাউচে অমগী রিপোর্টনা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী হৌজিক-হৌজিক চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা ন্যু কাষ্টল য়ুনাইটেদকী টিমনা লাক্লিবা ইরাই নুমীৎতা এষ্টোন ভিলাগা শান্নগদৌরিবনি। কাঙলোনগী মতুংইন্না টিম অমগী য়ামদ্রবদা শান্নরোয় ১৪ লৈরবদি অতোপ্পা শান্নরোয়শিং অদুনা সেল্ফ আইসোলেসন/ক্বারন্টিন তৌদুনা লৈরবসু মখা তানা শান্নবা য়াগদৌরিবনি।

রিপোর্ট অসিনা মখা তারদুনা ন্যু কাষ্টল য়ুনাইটেদ ফুটবোল ক্লবকী ট্রেনিং ফেসিলিটি থিংজিনবগা লোয়ননা শান্নরোয় অমদি ষ্টাফ পূম্নমক কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌগদৌরি। রিপোর্ট অসিনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না কোভিদ-১৯গী ক্বারন্টিনগী কাঙলোনশিং অদুগী মতাংদা ন্যু কাষ্টল য়ুনাইটেদ ফুটবোল ক্লব অমদি ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী মায়কৈদগী মশা-মশাগী ওইবা পাউ/কম্মেন্ট পীরকপা লৈত্রি। মমাংদা লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা লীগ মেটচ য়ৈথোকপা য়াওখ্রবনি।

# য়ু এস এগী গ্রান্দমাষ্টর ৱেস্লি সোনা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান নোরৱেগী গ্রান্দমাষ্টর মেগনস কার্লসন থোইরগা স্কিলিং ওপন টাইটল লৌখ্রে



ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ০১(এজেন্সী): য়ুএস এগী গ্রান্দমাষ্টর ৱেস্লি সোনা ঙরাং অথেংবদা শান্নবা লোইশিনখিবা য়ুএস দোল্লর ১০০,০০০গী শেলগী মনা লৈবা স্কিলিং ওপন ওনলাইন চেছ টুর্নামেন্টকী ফাইনেল মেটচতা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান নোরৱেগী গ্রান্দমাষ্টর মেগনস কার্লসনবু টাইব্রেকতা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি মালেমগী তোঙান-তোঙানবা গ্রান্দমাষ্টর ১৬না শরুক য়াদুনা লম্বা তৌনরকপনি। কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা চেছ মশান্না অসিদা শান্নরোয়শিং মায়োক্লনা ফমিন্নরগা চেছ টেবলদা শান্নবগী খূদোংচাবা লৈরক্তবনা ওনলাইনদা পাঙথোকপা মরুওইবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা স্কিলিং ওপন টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেটচ অদুদা সেট অনী শান্নখি।

অহানবা সেটতা শান্নরোয় অনীমক গেম মরি শান্নবদা মখোয়-মখোয়না অঙৌবা চেছ পিসশিং পায়দুনা শান্নরকপদা মায় পাক্লবদগী পোইন্ট ২-২দা মান্নদুনা লৈখি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুগী অনীশুবা সেটতা মেগনস কার্লসন অমসুং ৱেস্লি সো হান্নগী সেট অদুগুম্না লম্বা হেন্নদনা পোইন্ট মান্নখি। অহানবা গেমদা কার্লসননা ৱেস্লি সোবু থোইখি। অনীশুবা গেমদা ৱেস্লি সোনা অমুক থোইদুনা পোইন্ট ১-১দা মান্নদুনা লৈখি। ফাইনেল মেটচ অদুগী অনীশুবা সেট অদুদা শান্নরোয় অনীনা শান্নখিবা অহুমশুবা গেম অদু দ্রো চৎখি। লোয়ননা মরিশুবা গেম অদুসু শান্নরোয় অনী মায় পাকপা ঙম্নদবদগী দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ২-২দা লৈনখি।

কাঙলোনগী মতুংইন্না টাইব্রেক শান্নবগী তঙাইফদবা লাকখি। অহানবা গেমদা গ্রান্দমাষ্টর য়ু এস এগী ৱেস্লি সোনা অঙৌবা মচু পায়দুনা কার্লসনগা লম্বা তৌনরকপদা গেম অদু ৪৪শুবা মুভতা ৱেস্লি সোনা থোইদুনা খূদোংচাবা হেনখি।

ফাইনেল মেটচ অদুগী অনীশুবা সেটকী টাইব্রেককী অনীশুবা গেমদা কার্লসননা অঙৌবা মচু পায়রগা ৱেস্লি সোগা লম্বা তৌনরকপদা য়ু এস এগী গ্রান্দমাষ্টর অদুগী মায়কৈদগী য়াম্না চেকশিন্না শান্নবা ঙমখিবা অদুনা মরম ওইরগা গেম অদু ৪৬শুবা মুভ য়ৌশিল্লকপদা মায় পাকপা য়াবগী লম্বেল উনরক্তবা মরম্না দ্রো চৎপদা য়ানবদগী স্কিলিং ওপন ওনলাইন চেছ টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল অদু য়ু এস এগী গ্রান্দমাষ্টর ৱেস্লি সোনা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান চেছ শান্নরোয় ওইরিবা নোরৱেগী গ্রান্দমাষ্টর মেগনস কার্লসনবু থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াবদি, স্কিলিং ওপন ওনলাইন চেছ টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী গ্রান্দমাষ্টর বিদিট গুজরাথি শরুক য়াখি। মহাক ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমদনা লৈহৌবনি।

# অফবা খূদম পীদুনা ওলিম্পিক রিংস টোকিও বেদা খিনখ্রে



টোকিও, দিসেম্বর ০১(এজেন্সী): মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা শান্নবগী কুম্মৈনি হায়না লৌনরিবা ওলিম্পিক গেমসকী যূম্বু ওইগদৌরিবা জপানগী টোকিও সিটিদা লৈবা টোকিও বেদা হান্না খিল্লম্বা ওলিম্পিক রিংস লৌথোক্লুরবা মতুং নৌনা শেমজিন-শাজিন্দুনা ঙসি খিল্লকখিবা অদুনা ওলিম্পিক অসিগা মরী লৈনবা হীরম খূদিংমক্তা অফবা খূদম পীবা ঙমখ্রে।

টোকিও রেনবো ব্রিজগী মনাক্তা ওলিম্পিক রিংস অদু হিগোক মচু, অঙাংবা, অমুবা, অশংবা অমসুং নাপু মচুগী রিং মঙাগী ওইবা অচৌবা শক্তম অদু খিল্লিবনি। হায়রিবা রিংস অসি মিটর ১৫ ৱাংলগা মিটর ৩৩ পাকই। রিংশিং অসি নুমিদাংগী মতম য়ৌরকপদা মতীক চাবা মৈঙাল পীদুনা মীয়ামদা সিটি অদুদা ওলিম্পিক পাঙথোক্কনি হায়বগী থাজবা অদু হেন্না পীগদৌরি।

থা ৪গী মমাংদা টোকিও ওলিম্পিক গেমস য়ৈথোকখিবগা লোয়ননা ওলিম্পিক রিংস অসি শেমজিন-শাজিনগনি হায়না লৌথোক্লুরবা মতুং ঙসি অমুক হান্নগী মফম টোকিও বেদা খিল্লকপা অসিনা সিটি অদুদা ওলিম্পিক্স পাঙথোক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লি।

# ৱেষ্ট হেম য়ুনাইটেদনা এষ্টোন ভিলাবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে, লেষ্টর সিটি ফুলহামগী মখূৎতা ১-২দা মায়থীহৌরে


ৱেষ্ট হেম য়ুনাইটেদকী শান্নরোয়না এষ্টোন ভিলাগী গোলদা হেদ তৌশিনখিবা

লন্দন, দিসেম্বর ০১(এজেন্সী): ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ঙসি শান্নখিবা ১০শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৱেষ্ট হেম য়ুনাইটেদনা এষ্টোন ভিলাবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অতোপ্পা ১০শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদনা লেষ্টর সিটিবু ফুলহামনা পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

ৱেষ্টহাম য়ুনাইটেদনা যূম্বু ওইরগা ঙসি লন্দন ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ১০শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা য়াম্না ঙন্না এষ্টোন ভিলাগী মায়কৈদা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মেটচকী হৌরকপা শুপ্নগী মিনট ২ শুরকপদা ৱেষ্ট হাম য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী জারোদ বোৱেননা পীরকপা বোল অমদা এঞ্জেলো ওগবোনানা পাঞ্জল চন্দুনা এষ্টোন ভিলাবু ১-০দা মাংজিল থাখি। এষ্টোন ভিলাগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনরক্তুনা মেটচকী ২৫শুবা মিনটতা মখোয়না পামখিবা ইক্বেলাইজর অদু জেক গ্রিলিজনা টিমমেট মাটি কেসনা পীরকপা বোলদা চনবা ঙমদুনা ১-১দা লৈনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা শুপ্নগী মিনট ১ খক্তা ঙাইরিঙৈদা ৱেষ্ট হেম য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনবদা বোল সপ্লাই তৌখিবা জারোদ বোৱেননা টিমমেট বেনরামানা পীরকপা বোলদা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চল্লগা মেটচ অদু মখোয়না মাংজিল থাদুনা লৈখি।

এষ্টোন ভিলাগী মায়কৈদগী অনীশুবা হাফ অদুদা লেমহৌরিবা মতম পুংখায় হেনবা অদুদা ইক্বেলাইজর ফংননবা কন্না হোৎনরকখি। পনবা য়াই, এষ্টোন ভিলা মমাংগী মেটচ ৮ শান্নখিবদা পোইন্ট ১৫ ফংলগা ১০শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অমরোমদা, ৱেষ্ট হেম য়ুনাইটেদকী মেটচ ৯ শান্নখিবদা পোইন্ট ১৪ ফংদুনা ১১শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। মেটচকী লেমহৌবা মতম অদুদা এষ্টোন ভিলানা ফনা কন্না হোৎনরবসু ইক্বেলাইজর ফংবা ঙমদনা মখোয় মায়থীহৌখি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ১০শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা মাংজিল থাবা ঙল্লিবা টিম লেষ্টর সিটিবু মমৈদা লৈরিবা ফুলহামনা ২-১দা মায়থীবা পীরমখি।

লেষ্টর সিটি মেটচ ৯ শান্নবদা পোইন্ট ১৮ ফংদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা ৪শুবা পোজিসনদা লৈখিবনি। অদুগা মখোয়বু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীবা ঙমখিবা ফুলহাম হান্না পোইন্ট ৪ ফংলগা টিম ২০গী লম্বাদা ১৯শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। মায় পাকখিবা ফুলহাম পোইন্ট ৭ ফংলগা ১৭শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখি।

# রিয়াল বেটিস এফ সী আইবারগী মখূৎতা পাঞ্জল ০-২দা মায়থীদুনা হান্না লৈরম্বা পোজিসনদগী হাইগৎপা ঙমখিদ্রে


আইবারগী শান্নরোয়না রিয়াল বেটিসকী শান্নরোয় ২গী মরক্তা বোল পুশিনবা

মাদ্রিদ, দিসেম্বর ০১(এজেন্সী): লালিগা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ১১শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা রিয়াল বেটিস আইবার ফুটবোল ক্লবকী মখূৎতা পাঞ্জল ০-২দা মায়থীবা নংদুনা টিম অদুনা হান্না লৈরম্বা ১৫শুবা পোজিসন অদুদগী হাইগৎপা ঙমখিদ্রে।

রিয়াল বেটিস মমাংগী মেটচ ১০ শান্নবা লোইশিনখিবদা মেটচ ৪ মায় পাক্লগা অতোপ্পা মেটচ ৭ মায়থীবা নংদুনা পোইন্ট ১২ ফংলগা ১৫শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অমরোমদা, ঙরাং অথেংবগী মেটচ অদুদা মখোয়গা লম্বা তৌনখিবা আইবারগী টিম মেটচ ১০ শান্নবদা পোইন্ট ১০ ফংলগা ১৬শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি।

রিয়াল বেটিসনা যূম্বু ওইরগা ক্লব অদুগী হোম গ্রাউন্দ বেনিটো ভিলামারিন ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ১১শুবা রাউন্দগী মেটচ অদুগী হৌরকপগী অহানবা হাফ অদুদা টিম অনীমক পাঙ্গল মান্নখিবা মরম্না পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্নখিদে। অহানবা হাফ লোইখ্রবা মতুং অনীশুবা হাফ শান্নরকপগী হৌরকপদা আইবারগী এটেক কয়া অমা চথুরকখি।

আইবারগী এটেকশিং অদুগী মনুংদা ৪৯শুবা মিনটতা এষ্টেবান বর্গোসনা পীরকপা বোল অমদা য়োসিনোরি মুটোনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা রিয়াল বেটিসপু আইবারনা ১-০দা মাংজিল থারগা লৈখি। রিয়াল বেটিসকী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনরিঙৈ অহানবা পাঞ্জল চনশিল্লকখিবা আইবারগী মায়কৈদগী মতম ইকান কান্নদনা পুশিল্লকখিবা এটেক অমদা রিয়াল বেটিসকী দিফেন্দরশিংনা মখোয়গী পেনাল্টি এরিয়া মনুংদা কাঙলোন ৱাংমদা বোল মুন্নবা হোৎনরুবা অদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদুগী রেফরিনা পেনাল্টি অমা শান্নবগী ৫৪শুবা মিনটতা আইবারদা পীখি।

খূদোংচাবা অদু আইবারগী মায়কৈদগী টিম অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবদা বোল সপ্লাই তৌবা ঙমখিবা এষ্টেবান বর্গোসনা অশোয়-অঙাম য়াওহন্দনা স্পোট কিক্ অদু পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা রিয়াল বেটিসপু মখোয়না ২-০দা মখা তানা মাংজিল থাবা ঙমখি।

মেটচকী লেমহৌবা পুংখায় হেনবগী মতম অদুদা রিয়াল বেটিসকী শান্নরোয়শিংনা পাঞ্জল হন্দোক্লনবা য়াম্না কন্না হোৎনখ্রবসু খূদোংচাবা হেন্না ফংলিবা আইবারগী শান্নরোয়শিংনা চেকশিন্না মখোয়গী হাফতা পুশিল্লকপা বোলশিং অদু থেংখাঙ কয়াদা থিংবা ঙমদুনা পাঞ্জল চনবা ঙমদনবা হোৎনবা অদু মায় পাকখি।

শান্নবা লোইশিল্লকপদা আইবারনা ২-০দা থোইখিবা অদুনা মরম ওইদুনা টিম অদুনা হান্না ১৬শুবা পোজিসনদা লৈরম্বদগী থাক ৪ হাইগৎলগা ১২শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙল্লি।

## থোমাস বেকপু আই ও সীনা থাজবা পীরক্লি

লোজেন, দিসেম্বর ০১(এজেন্সী): ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অমদা কম্মিটি অসিগী ওইবা মথং চহীগী মার্চ থাদা পাঙথোক্কদবা প্রসিদেন্টকী ফমদা য়েৎনবা লৈতনা হৌজিক-হৌজিক কম্মিটিগী অসিগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা থোমাস বেকপু অমুক্কা হন্না প্রসিদেন্ট ওইহনগনি হায়বগী থাজবা পীরক্লি। মেম্বর ১০০ হেনবনা থোমাস বেকনা মথংগী ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদা মহাক্লা অমুক হন্না প্রসিদেন্ট ওইনবগী অপাম্বা ফোঙদোরক্লি।



HL/P/7685/8/10-5/12 (alt)

ꯑꯃꯥꯡꯂꯦꯅꯕꯒꯤ ꯄꯥꯎ
EMPLOYMENT NEWS

☞ 22 to 28 yrs Office Asst. ওইনিংবা মীওইশিংগী ওইনা Kakching, Sekmai, Nambol অমসুং Samurou গা নকুবা মীওইশিংগী ওইনা Post 2/2 পামজে।

☞ 2 Wheeler Mechanic 2, Car Wash Helper 2, Tyre Fitting Helper 2, Iron W/Mistry 2, চেক্কী Mistry 2, Jugali 5 অথুবদা পামজে।

Please Contact :
M.B. Singh
Mobile No. 8413973840

HL/B/6497/3/11-31/12

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com